
মতম মতমগী ৱাফম

# চহী ২২০ শুরকপগা মরী লৈননা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রবু নীংশিংজবা



Rajashri Bhagyachandra Khunti Shamu Phaba Shaktam

মণিপুরনা নিংথৌ পানবা লৈপাক অমা ওইনা লৈরকপদগী নিংথৌরোল কয়ানা লৈপাক মীয়ামগা লোয়ননা মতম কয়াগী মমাংদগী মরৈপাক মরমদমবু মরোমদোম ঙাকচদুনা লাকই। থক্তা পানখিবা নিংথৌরেলশিংনা হীরম কয়াদা অঙম্বা থাক্তা চাউখৎনবা হোৎনরকই। যুমথংনবা লৈবাক্লা হৌরকপা ঙমখৈগী, ললোন-ইতিক্কী অমদি থৌদোক-ৱাথোক কয়ানা মরম ওইরগা শা-লান কনখিবা লমদম অমা ওইনসু লাকখি। অসিদসু নত্তনা,নিংথৌ মচা মশেলগী, মরী-মতা, ঙাই-সেনগী মরক্তসু ৱাখল মান্নরক্তবদগী মূক্লবা, নুংশিনদবা, নপাক-নপাক তানদুনা হাৎনবা, লান তৌনবা ফাওবা য়াওখ্রবনি। পূম্নমকসিগী মথক্তা মোইরাংদা, খুমন্দা, অঙোমদা,কংলৈদা পানখিবা নিংথৌশিংনা চাউখৎ-থৌরাংদা পূক্নিং চংবা,ধর্ম্ম অমদি লাইনীং-লাইশোন্দা পূক্নিং চঙবা, লৈঙাকলোন্দা, হরাউ-কুম্মৈদা, খুৎ-শা হৈবদা অমদি তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা মান্নদবা মিৎয়েংদা মাগী মাগী তৌবা ঙম্বা পাংথোক্লখিবা ঙাক্তনি। কংলৈদা পানখিবা নিংথৌশিংগী মরক্তা মৈদিংঙু চিংথংখোম্বা, মীয়াম্না ভাগ্যচন্দ্র হায়রগা হেন্না খঙনখিবা, নিংথৌ অসি শ্যামজাই খুরাই লাকপা অমদি ইৱাংলোং ৱায়েনবম চনু মরিং লোইখোম্বীগী মজাইবুংঙোনি। চৈচৎ কুমশীং ১৭৫৯দা মৈতৈ নিংথৌশিংগী মথং মনাওগী মতুংইন্না ৫৪ অমদি ৫৬ শুবা চাউরাক্লা (খৃঃ ১৭৫৯-১৭৬২ অদুগা অমুক খৃঃ ১৭৬৩-১৭৯৮ ফাওবা) থেংনৈ। ভাগ্যচন্দ্রনা নিংথৌ ওইনা পানখিবা চহী, পোকপগী চহী হৌজিকসু চপ চাবা অশেঙবা খঙবা ঙম্নদ্রি। মৈদিংঙু অসিনা পানখিবা মতম অসি মণিপুর লৈবাক অসিগী ওইনা অহোংবা কয়া লাকখিবা মতমসু ওইখি। হোংলকখিবা অহোংবশিং অসি হীরম য়াম্মী। হীরমশিংগী মনুংদগী লাইনীং-লাইশোন অমদি হরাউ-কূম্মৈগী মতাংদা লৌখৎতুনা মীৎয়েং থম্বা য়াই।

লৈপাক নিংথৌ পাল্লবদি শা-লান হায়বসিমদি কনবা নৎত্রগা কন্দবা অদুম থোক্লে। অৱা লান হায়না ঙসিফাওবা মণিপুরগী পুৱারীদা শোন্নরিবা কী-তুচুংলবা থৌদৌ অসি মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদগীদি খরা হেন্না তোয়রকখি। অৱা লাঞ্জেনবদা মৈদিংঙুনা অসাম লৈবাক্তা চেনখি। মৈতৈ নিংথৌ অশেংব্রা হায়বগী চাংয়েংদা তেখাওগী অঙাওবা শামু ফাহনখি। শামু ফাবগী ৱারী অসিদগী মৈদিংঙু চীংথংখোম্ববু **‘জয়সিং’** হায়বা মিংথোল অমা থোন্দুনা অহোম নিংথৌগী মতেংগা লোয়ননা ১৭৬৮দা মাঙলুরবা নিংথৌ খুভম অমুক হঞ্জিন্দুনা মণিপুরগী নিংথৌ ওইখি। মতাং অসি ফাওবগী শাংখ্রবা পুৱারী ঐখোয় খূদিংমক্লা খঙনরে। শাংখ্রবা ৱারী কয়া লৈখিবগী মনুংদা লমদম অসিগী মীয়াম্না কাওনখিবা পুৱারীগী মরুওইবা অমদি মতাং অসিদা নীংশিংজনিংঙি। ভাগ্যচন্দ্রনা মণিপুরদা নিংথৌ ওইনা পাল্লখিবা মতমসি মণিপুরগী ওইনা য়াম্না মরুওইবা তাঙ্কক অমনি হায়না লৌগনি। মৈদিংঙু অসিনা পানবা মতমদা লাইনিং-লাইশোনদা, হরাউ কূম্মৈদা হান্নগী মশক্তগী অনৌবা অহোংবা কয়া লৈরকখি। য়ানিংবা মীওই কয়া,য়ানিংদবা কয়া লৈখি অদুবু নিংথৌনা পূম্নমক্কী মথক্তা লৈবনা মহাক্কী য়াথং ইনবা তাখি। লৈবাক্কী ওইনা চাওথোকচরিবা ৱাফমদি- রাজর্ষি হায়বা মিংথোল অসি ভারতবর্ষ লৈবাক অসিগী খ্বায়দগী অৱাংবা থাক্তা ইকায় খূম্নফম ওইরবা মিংথোলনি। মীচম অমদা মিংথোলসি হেক্তা ফংবা য়াদে। মীচমদি লাইরদনা নিংথৌ মচা খূদিংমক্লসু ফংবা ঙমখিদবা অমনি। অখণ্ড অহৈশিংগী ৱারোল মতুংইন্নদি ভারতবর্ষগী ওইনা মিংথোল ফংখিবসি নিংথৌরেল হরিচন্দ্র, মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রা অমদি মতুং তারকপদা ছত্রপতি সাহু কৌবা কোলহাপুরগী নিংথৌ অমগনি। অতৈ পংথেং থেংনখিদ্রি। ঋষিগী থাক মরী লৈ- **ব্রহ্মঋষি, মহাঋষি,রাজঋষি অমদি দেবঋষিনি**। ঋষিগী মিংথোল ফংলবশিংদি লাইনীং লম্বীদা মকোক থোংলবশিংনি। মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রবু রাজর্ষি মিংথোল পীবগী মরমদি নিংথৌসু ওইবা লাইনীংগী ওইবা মরিগসু লৈনবা ঋষিসু ওইবদগী **রাজর্ষি** মিংথোল পীখিবনি। মাঙলমচৎ অমদি তুংলমচৎকী নিংথৌশিংদা মিংথোল অসি ফংবা মৈদিংঙু লৈখিদ্রি।

**রাজর্ষি** মিংথোল ফংলবশিংনা খুৎতা পায়গদবা চৈশু অমা লৈরি। চৈশু অসি অচম্বা নত্তে **খুন্তি** হায়না কৌই। **রাজর্ষি** অমনা মতম পূম্বদা লোয়নদুনা লৈগদবা পোৎশক্নি। মতীক ময়াই লৈবা মুণি ঋর্ষি খুদিংমক মখুৎতা চৈশু মখল অমমম লোইনৈ।**রাজর্ষি** মিংথোল ফংলবা মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রনা **খুন্তি** হায়না খঙনবা চৈশু অসি পায়রগা মণিপুরদা লাকখি অমদি কাইনগী মফমদসু মহাক্না পায়খিবা খুন্তি অদুগা মান্নবা পোৎশক অসি শাদুনা থম্বীরম্মী। হায়রিবা য়োৎকী চৈশু অসি মতম কুইনা কাইনগী হৌজিক লৈরিবা শঙলেন মাগুপ অসিগী মমাং ওইরপ্না অতোঙবা মফম অমদা উ-ৱানা ইকোয় কোয়শিনবা মফম অমদা যুংদুনা লৈখি । কাইনবু টুরিষ্টশিংগী মীৎয়েংফম মফম অমা ওইনা শেমগৎনবগী শঙলেনগী অকোয়বা তেমখায়রকপদা **খুন্তি** লৈরিবা মফম অসি য়াওখি। মফম অসি তেমথোকখিবদা হান্না লৈরম্বা যুংলমখিবা **খুন্তি** অদু ৱারেং অসি ইজরিঙৈ মতমদদি লৈবা উখিদে। ঐহাক্লা তাজবদা হায়রিবা **খুন্তি** অসি নিংথৌ ভগ্যচন্দ্রনা লেঙবীরকখিবা মতমদা অশেংবা খুন্তি অদুদগী মওং লৌরগা শেমখিবনি অদুগা যুংখিবনি অশেঙবা **খুন্তি** অদুদি রাজর্ষিনা থাদোকপা য়াদবনিনা মহাক্লা হনখিবা মতমদা লোইনখি ,মুর্ষিদবাদতা লৈখি। কনা অমত্তনসু মরুওইরিবা **রাজর্ষিগী খুশু** চৈশুগী মরমদা হৌজিকফাওবা ৱা ঙাঙনবা তাদ্রি।

অঙনবা মতমদা যূমলোন্নবা বরমানা তোয়না লান্দারকপা, ঐখোয়গী ওইবা খোংমী লান্মী, শাগোল শামু অৱাৎপা কয়া অসি লৈরকপনা ভাগ্যচন্দ্রনা লান পাংবীনবা তেকখাও নিংথৌদা মতেং নিরুবগী মতাংসি অমুক হন্না ঐখোয়না নীংশিংবা চুম্মী। তেখাওগা নক্লবা মরী থম্নবা হায়দুনা ময়াম্বুং (মোরাম্বা) গৌরশ্যামগী মজাইবেম্মা পোংদাইবু তেকখাও নিংথৌদা থাজরগা ঙাই-সেনগী মরী থম্বগী মতাংসিদা ভাগ্যচন্দ্রনা লৌখিবা থৌদাং,মজাইবেম্মা পোংদাইগী কৎথোকপা মরৈবাক মরমদমগীদমক মপাম লমদম থাদোক্তুনা মীরমদা ওংখিবা, মপাবুংগী লৈঙাকতা মতেং পাংলকখিবা কয়াসি ঐখোয়গী ঙসিগী মীরোলদা কাওনখ্রে। তেকখাওগা মরী থম্নবদা নত্তনা ভাগ্যচন্দ্রাগী লৈঙাকলোনগী হৈশিংবসি ঐখোয়না খঙবসু চুম্মী। পোংদাইনা তেকখাওদা ওংখ্রবদা কুরঙ্গনয়নী হায়না তেকখাও লৈবাক্তসু মমিং লৈখিবীনি। তেকখাওগী নীংতম্বা কন্নবা হোৎনবদা মৈতৈ নিংথৌগী মচানুপী কুরঙ্গনয়নীনা (পোংদাইলোকপী) হোৎনখিবা কয়া ঙসি ফাওবা তেকখাওগী (অসাম) পুৱারীশিংদা শক শোন্নরি। মতাং অসিদা ভাগ্যচন্দ্রবুসু নীংশিংদবা য়াদে।

মণিপুরদা শামু হায়রিবা শা অসিগী ৱারী কয়া লীনরি । ৱারী কয়া লৈখি। শামুগী ৱারী অমা লীরকপা মতমদা মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রগী মিংলেন ঐখোয়না চাউনা পন্দবা য়াদে। মণিপুরদা শামু য়াম্না লৈরকখিবা অসিসু মহাক্কী মতমদা অমনি। হিয়াং হিরেনগী, মীতম (মুর্ত্তি) শাবগী, ঈশৈ-নোংমাই, জগোয়-ঈশৈ, ফিজেৎ-লৈতেংসু মণিপুরগা মপান লৈবাক্লা শম্ননবা হোৎনরকপা, চঙথোক চঙশিন তৌনরকপা অমদি মপানগী লোন ঙাঙবা হৌরকপা,ফোরেন পোলিসি মেকিং হায়বা তাই কয়া অসিনা মহাকপু লৈশেম্বা অমনি হায়নবগী ৱাফসু লৈরি।

কাইনদগী থৈবোং য়ানবগী মতাংসি য়াম্না চাওবা থৌরাং অমনি। কাইনগী মফমবু অমদি থৈবোং পাম্বীবু মীতম শানবা করম্না খনখিবনো ? কাইনগী থৈবোংগী মতাং অসি ঐখোয়না মনুং হুৎনা নৈনবা য়াই। মীতম অমা উদগী শাবা মতমদা করম্বা উ পাম্বীদা ইৎতুনা শাবা মতমদা মশা নানবা, শেম-শাবদা মঙম শানবগে ৱাহংসি ঙসিগী মীরোন্না হংলকপসু য়াই। লমগী মমিং থোল্লক্কদৌরিবনি, লম্বী, তোব্বানি শেম শাদৌরিবনি। উয়াল্লোন, নাহৈরোন, মাইবা-মাইবী নেক্তুনা ঈরাৎ-থৌনি তৌগদবা কয়ানি। মতম চঙনা মীতম শাদৌরি। হোঙবগী থৌরম পাংথোক্কদৌরি। চহীরোমদা চঙবা থৌরাংনি। কাইনবু অশেঙবা মফম অমা ওইহনবগী শাংলবা পরিং অমগী ৱারী লৈরি। ঙসিদি ৱারী অসি থৱায় হাপখ্রে। কাইনদগী থৈবোং য়ানবা, পুরক্লবা হোৎনখিবগী থৌওং, থৌরাং অসি ইচমচম্বা অমদি নৎখিদে। লৈবাক পুংজাও থীল্লগনি। কৈনাদগী থৈবোং য়াল্লগা গোবিন্দগী মীতম শাখিবগী মতাংসিদা **শ্রীশ্রীগোবিন্দজী অমসুং মণিপুর** হায়বা লাইশ্রম জয়চন্দ্র, মতম অমগী প্রজতন্ত্রগী চীফ ইদিটর ওইবীরমনা ইরম্বা লাইরিক্তা অসুম্না ইরি- বংলা লোন্দা ফোংবা ‘শ্রীশ্রী গৌরাঙ্গ সুন্দর’ কৌবা লাইরক্তা ভাগ্যচন্দ্রনা শামু ফাবগী মতাংদা ইরম্বগী ৱাফম পল্লি। অতৈ লাইরিকশিংদলু পনবা লৈরি। কাইনা কৌবা চীংদা হৌবা থৈবোং পাম্বী য়ানবগী মতাংদসু মখা তানা কূপ্না ইরি। ভাগ্যচন্দ্রনা নিংথৌ খুভম হঞ্জিন্দুনা মনিপুরদা পাল্লরবা মতুং অহল ওইরবী নুপী অমগা অঙাং অমগা হেক হেক উন্নবগী ৱাফমসিদগী পাকথোক চাওথোরক্তুনা হৌখিবা মঙলান নীংশিংলক্তুনা কাইনগী থৈবোংগী মশক তাকপা হৌরকই। মীয়াম্না চীনবুংদা ঙাঙনবা, হায়নবা, লীনবা ৱারীদগী পাঙম্বম ভারতকী লাইরিক অসিদা ময়েক শেঙনা কাইনগী থৈবোংগী ৱাফম ইবা থেংনৈ। থৈবোং অসি য়ানবা মতমদগী হৌনা অঙকপা থৌদোক খরা খরা থোকপা হৌরে। মসিনা থৈবোং অসি অচম্বা অমদি নৎত্রে হায়বগী থাজবা অমদি ঙন্না মীয়ামদা ফাওহন্দুনা লাকখি।

রেকোর্দকী মতুংইন্না য়াল্লবা থৈবোং পাম্বীসি কুমশীং চৈচৎ ১১৭৫ লমদাগী ২২নি পানবা য়ূমশকৈশা নুমিত্তগী কংহন্নবা থম্বসিনা চৈচৎ কুমশীং ১৭৭৬ কী হিয়াঙ্গৈগী ১২নি পানবা ইরাই নুমিৎ ফাওবা চাওরাক্লা থা নিপাললোম লংথবান চীংথক্তা থমখি। মীতম অসি শাবা হৌনবা নিংথৌনা অঙোম গোপীরামদা হায়খি। অঙোম গোপীরামনা অমুক মতমদুগী খুৎহৈবা শাপম লোখোন হায়রিবা মীশক অসিদা শিন্নখি। শাগদৌরিবা মীতম অসি মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রনা মহাক্কী মঙদা উখিবা শক্তম অদু পাদম লাক্লগা শাগদৌরিবনি। মসিসু অরায়বা অমা নত্তে। শাগদৌরিবা মীশক অদুনা পাউ তারগা ৱাখলনা শাগৎলগা উদা হক্কদবা, ইৎতুনা শেমগদবনি। ৱাফমসিসু অরায়বা অমা নত্তে। থৈবোং পাম্বী অসিদগী গোবিন্দজিগী মীতম শানবা হোৎনরকপদা নিংথৌনা পেনফাৎখিবা মীতমশিং অদুবু লেঞ্জনা মাঙবা য়াদবনা লাইশঙ অমমদা **শ্রীবীজয়নাথ গোবিন্দজী,গোপীনাথজী, নিত্যাইনন্দ প্রভু, শ্রী মদনমোহন, শ্রী অনুপ্রভু অমদি শ্রী অবদৈত্য প্রভু** অসিনচিংবশিং অসি লাৎচদুনা লাকখি। নিংথৌনা পেনবীখিবা মীতম অদুবুনা শ্রী শ্রীগোবিন্দজী ওইনা চৈচৎ কুমশীং ১৭৭৯ হিয়াঙ্গৈগী ১১নি পানবা ইরাই নুমিৎতা লংথবালগী কোনুংদা লাৎপা হৌদোকখি। য়াম্না চাউবা থৌরাং অমগা লোয়ননা লংথবালদা হৌদোকখি। শ্রী শ্রীগোবিন্দজীগী মীতম অসি শাবদা চহী ৩লোম চংখি হায়নৈ। মীতম অসিনা ৱাংবসি ফুট ৩ ইঞ্চি ১০ নি। মীতম অসি শারিবা উ অসি থৈবোং মশা অদুখক্ত নত্তনা উগী মরু ফাওবা লেমনা মাঙহন্দনা শাখি। মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রগী পাউতাক মতুংইন্না কাইনাগী থৈবোং মশা অমদি মরুদগী শাখিবা মীতম অসি পূন্না তরেৎনি।

হৌজিক লাকচনিংলিবা ৱাফমদি- লৈপাক্কী নিংথৌ অমনা তেকখাওদগী শামু ফাখিবা, ভগ্যচন্দ্রগী খোল্লেন মঙলানদা গোবিন্দজী উখিবা, কাইনগী মফমদা অহল ওইরবী নুপী অমনা মশক খঙদবা নুপামচা অমগা থেংনখিবা, নুপামচা অদু মশক তাকলকপা, উমা হায়রিবা নুপাসিগী থৌদাং, কাইনগী থৈবোং, থৈবোং ফুক্লগা লংথবান্দা পুরকখিবা, থৈবোংদগী মীতম শক্তম ময়াম অমা শাদুনা মফম তরেৎতা লাৎখিবা, মৈদিংঙুনা মশাসু গোবিন্দজীদা কৎথোকচখিবা শাংখ্রবা ৱারী ময়াম অসিদগী রাজর্ষি মিংথোল ফংলক্লবগী পরিং ওইরকপনি। কাইনাগী থৈবোং অসিদগী ঙসি গোবিন্দজী অমদি অতৈ মতীক ময়াই লৈরবা লাই ময়াম অমগী মীতম শাদুনা লাৎনরকই। মণিপুরবু গোবিন্দজীগী অশেংবা মফম অমগুম মীয়াম্না লৌনরি। হিন্দু লাইদা থাজজবা কয়াগী শেঙলবা মফম অমা ওইরি। অসুক মরু ওইখ্রবা, কাইনগী থৈবোং হায়রিবা উ পাম্বী অসিগী মরুওইবসিদি ঐখোয়গী লমদম অসিদা লৈত্রি। থৈবোং পাম্বী অমবু চা চন্দনগুম মীয়াম্না মমল লৈনা লৌনবা ঙমজদ্রি। কাইনদগী থৈবোংগী চারা অমত্তং লৌরুরগা ঐগী ইস্কোলদা অশেঙবা উ পাম্বীনি খন্না থানিংনবগী ঙসিগী মীওইশিংদা খলহনবা ঙমদ্রি। থৈবোংগীদমক ট্রি ফাউন্দেসন লীংখৎনবগী ৱাখল্লোনসু লৈত্রি। পূম্নমক অসি মতমনা পুরকপা ওইসনু ।

মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রগুম্বা লাইনীং-লাইশোনখক্তগী নত্তনা হীরম কয়ামুক্তা মণিপুরগী চাউখৎনবা হোৎনরম্বা নিংথৌ অতাঙবনি। মহক্তি শেমগৎ-শাগৎপগী নিংথৌরেলনি, ক্রিয়েটরনি, চীংমী তম্মী নুংশিননবা, অমগা অমগা মরী লৈন্নবা হোৎনবা ইন্টিগ্রিতিগী ৱাখল লৈখিবা অমসুনি। মহাক্লা লৌখৎখিবা থবক থৌরমশিং অমমমতা লৌখৎতুনা নৈনবদা মফম অমত্তদা তুংশিন্দুনা লৈরমখিদে। মপাল লম,যূমলোন্নবা লৈপাকশিংগসু অফবা মরী থমনবা হোৎনরম্মী। ঙমখৈগী, ললোন ইতিক্কী, নাৎ অমদি লাইনিং-লাইশোনগী মথক্তা মণিপুরী নিংথৌ, লৈপাক্কী লুচিংবা অমা ওইনা তৌবা ঙম্বা কয়া মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্রনা উৎলমখি। মহাক্কী তৌবা ঙম্বা মতীক ময়াইদি নুমিৎ-থানা লৈরিমখৈ মুৎনাইদনা লৈহৌখিগনি।।◀◀

*-মাখোনমনি মোংসাবা*

---

ৱারী ককনাউ

## কৈনেগে সিদি?

**ইবোহল** গভর্ণমেন্টকী থবক মচা অমা তৌজরম্মী, ফংজবা তলব খরদুনা কাবক-কাবক লীংলপনা মচা থাকপা, ইমুং পুবা লায়না ঙম্লম্মী। হৌজিক্তি পেন্সন চৎলবনিনা ফেরে-ফেরে হাইবমক নৎত্রসু হান্নদগীদি খরা নোপথরে। মায় নুপী তনৌবীসু অদু মঙাই ইনৌদা নৌদুনা লৈজরম্বী তনৌবীসু ইশৌ মচা-মচা লাংবদৌনা তৌরে।

অহল খাংই, খাংই হায়দু ঙাই কৈদৌনি। শাংলবা চহী ময়াম অমা ওফিসকী থবক তৌরিবনি হায়দুনা অয়ুক্তগী নুমিৎ তাবফাও ফাইল অমনবা খরগা ওফিসরগী সহিশিংনা থক-খা নাইদনা ঐদি চাউরবনিদো হায়দুনা শুকপগা, ঙাঙবগা, লাউবগা তৌবদুদা মদু হেক হোৎনবদা অতোপ্পা থবক কৈমতা হৈহৌদ্রে। কৈদৌরুনি, পেন্সন চাং নাইনসু ফংদবদু ঙাইরগা লৈবা নত্তনা।

ইবোহলগী মচানুপী য়াইমদু হন্দক ক্লাস টুয়েল্ব পাস তৌবিদুনা তৌরিবা দিমান্দনা মণিপুরদা তমনীংদে, মপান্দা তমগে, ঈশিং মচা শ্বাইদা কৈদৌবৈ তমদুইনো, ঈশিং অচৌবদা তম্মুগে সিনি। ইবোহলদি কায়দৈ শেনবুন পুথোক্তুনা মচানুপীবু মপান্দা থানি। মায় মখাদা নুপা অনী অমসু লৈরি, মখোয়সু মহৈ তম্মী। ময়ামসিগী চানবা, শেৎনবা, তম্নবা হোৎনবদা লৱাই লুতোন শাৎলবা ইবোহল খুন্সফম খঙদনা লৈরি। মচাদা থেম্বা য়াবা থেল্লসু ৱারৌবগা, পেবগা, কপ্পগা অমুক্তোইবা লোইরে। সোমদনা তনৌবীনা মরোল অমা লৈকায়গী পোৎয়েং চায়েং, চাকখুমগী মচাক য়ামখ্রবা দিমান্দনি। শিনীংঙে হায়দু হেক য়ৌজাৎনি। ময়ামসিগী ৱাখলসিদা ইবোহল নুমিদাংগী চাক ফাওবা চাদখৈ তূমথখিবনি, মায় নুপীনা হৌদোকপফাও তাদখৈ কন্না নাখোকলি।

কোনুং ওইনসু তৌই, চাউখ্রবা ফজখ্রবা কাজাউদুদা থারিবা চৌক্রিদুনা ফজবসিদি তম্বা ঙল্লোই। সনা ওইরমদৌ মাল্লি চৌক্রিদু, লংত্রিক হেক লংই। ৱাংখ্রবা চৌক্রিদুদা, সনা অশাংবা চিনবা, লিক অশাংবা খোইদৌ য়ৌবা মঙা তরুক সিবা, সনা ফিগে থোনবা ফজখ্রবা লাই অমা ফৈদেক্তুনা মখূৎনা খদাং শৌদুনা শাউরপ ফম লৈরম্মী। ইবোহলদু লাই মচা অমনা পুশিল্লকপনি। লাই মচাদুনা লাইজাউদুদা ৱা খরা হায়খি, মরোলদু করিনো খঙদে, ঐখোয় শ্বাইগী ত্রাইব অমগী লোন মানগুমসু তৌই। অদুদগীদি লাই অচৌবদুনা ইবোহলদা শংত্রিক য়েংলগা,

“নঙগীনা কৈনো, থুনা হায়যু, ঐ থবক চিল্লি”। ইবোহলনা মখূৎ অনী লোন্নরগা খুরুমজরগা হায়জৈ,

“লাই ইবুংঙো, ঐ য়াম ৱারে, ঐগী ইচাশিংগী, ঐগী নুপীগী হোৎনবদা ঐ উপাই লৈত্রে, ঐবু মতেং খরা পাংবিয়ু”

“ও! পুবা থাংবা ঙমদ্রবনিনা, থুনা শিরগে হায়বরো? শিবগীদি য়াম লাই, হৌজিকমক শোর শৎলগা য়ানি”

“ইহ! কদাইদগী ৱানোদা লাই ইবুংঙো, শিবু শিগে হায়রদি ঐখোয় মনীংগী মঙ্গে পাম্বীদুদা কারগা থৌরি য়াল্লগসু অদুম য়াই, ঐগী অৱাবসি কোকচনবা শেল থুমদগী করিদগী মতেং খিতা পাংবিয়ু, ইচানুপীদু বেঙ্গলোরদা লাইরিক তম্বা চৎহনদে হায়দুনা চাও থকউ অমত্তা য়াদখৈ নীংঙাই তৌদুনা লৈরে, ঐ য়াম্না ৱারে হায়জগে লাকচবনি”

“করি বেঙ্গলোরদা চৎলগা ময়াংদা ময়ূম পাল্লুগে হায়ব্রা? সিদা সুম তম্বা কৈদৌই হায়গে, ময়ূমগী ফীভমদি য়েংদনা নীংঙাই তৌরিদু, মা হান্না হেক্তা শ্বর শৎলগে”

“শাউবীনু লাই ইবুংঙো, ইচানুপীবু অদুম্না তৌবিগনু”

“নোই মীওইবসিনা খিৎ মহেল্লে ওইদ-পাদ ঙাঙবা, ওইজ-ওইথক থিবা, শেল লুপা তরা থাদরগা নিরিবনা - হা! নুংঙাইহনবীয়ু, হা নাহনবীনু, তৌরু-তৌরু খুদিংমক মঙ্গল ওইজগে, কাইদৈ ওইনিগে? নোইগী কমপ্লেন্টসি ঐ পু থাংবা ঙমদ্রে, তু উরব্রা মী কোটি লিশীং লাক্ষ কয়ানা মখূৎ থাঙ্গৎতুনা নিরিবা ময়ামসে, য়েংউ”

ইবোহলনা মখাদা য়েংথখিবদা মখূৎ থাঙ্গৎতুনা কপ্প-ও লাউব-ও, শকপ-ও তৌদুনা মী কোটি কোটিশিংনা তৌরি ময়ামদু উরে। পূমঙক হেক ঙমই ইবোহলদু।

“উরব্রা তৌরি ময়ামসে, সিবু ঐনা পু-থাং ঙমবরো, থায়না ইপা কুবেরনা থম্লম্বা লন-থুম অয়াম্বসু মমিৎ করাম্বা মীওইবা নোইনা নি-নিবদগী পীথোকখিবদগী লোইরে। লাইরৈবাকসিদসু মথং চহীদদি চরা হেব্রা কৈনো খঙদে।”

ইবোহলনা খঙনীং নীংশিংলক্তুনা খংহাই হায়খি,

“ঐখোয় লমদুদা নোং তাদনা ফৌ শাৎলমদাইদা লৈক্রক চৎহৌরে। লৌ অমত্তা শাৎকনি থাজদ্রে”

“তো! অদুনি, নোই ময়ামসিগী কমপ্লেন্ট তারিঙৈদা নোং তাহনবগা লোইনা কাউরে, চৎলো চৎলো, তানীংদেচো। কন্না হোৎনরুচো, হুরানগেরা, লাক্কেরা থোকপা তৌরুচো, লৈরিঙৈ মতমদনা চাথোকপগা, থকতোকপগা গপ-সপ তৌদনা লোইনা মাঙহল্লে। ঐ সুম শাউরক্কদৌরে, হে! সি কনানা পুশিল্লকইনো পুথোকখ্রো য়েংনীংদে, শাউরক্তনা বর পীব্রাবু শ্বর ওইনা শৎকনি”

লাই মচাদুনা ইবোহলদু লাক্তনা চিংথোল্লগা থোঙ ৱাংমা লান্না ইন্থোরকই। ইবোহলদু মীকপ খংথোক থোকই।

ফমুং ফময়াইদা ফম্মগা কারিবা হুমাংদু তৈথোল্লগা মচিন্দা শোল্লি,

“ইস! করি মঙনো হৌজিক্কীদুদি?”।◀◀

*- নরেন্দ্র নিঙোম্বা*

---

থাইলেন্দগী ফুঙ্গাৱারী

## তৌবীমল খঙদবা নুপা (Ungrateful Man)

থায়না মমাঙঙৈদা য়াম্না লায়রবা নুপা, নহা ওইরিবা অমা লৈরম্মী। সহর অমদগী অমদা পঙচৎতা চৎপা হায়বসিনা মাগী পামজবা থবক ওইরম্মী। অসুম লাকপনা নোংমদি পংচাউ চাউদবা সহর অমদা চঙলুরে। সহর মচাদুগী ময়ায়দা মনীংনা ফমশিৎ চৎপা ভিক্ষা নিবা চাক্লিবা অমা কোক হেক থেংনরে। চাক্লিবা অদুনা লায়রখ্রবা করিশু থোইনা য়াওরক্তবা মঙোন্দা চানবা করিনো খজিক্তা পীবিয়ু হায়দুনা হেক নিরক্লে। মহাক লায়রজরসু মীগী অৱাবদি য়েংবা ঙল্লমদে, অদুনা মানা নুংশিরদুনা চাক্লিবা অদুদা চানবা চয়োম অমগা ঈশিং খরগা পীবিরে। মানা লম্বীদা চানবা পুজরকপদু পীজথোকখ্রে।

চাক্লিবা অদুনা হরাউনা চাবদু উবদা মহাক কয়াদা হরাউজৈ। মহাক চৎলগে হায়দুনা মমায় লৈথোল্লকপদা চাক্লিবা অদুনা মাগী মখূৎ পায়দুনা খাল্লে অদুগা মঙোন্দা মখোল থোকপোই থোক্তবোই হায়রকই, “ইবুংঙো! নঙদি থৌনাল হৈবা মীনি। নঙনা চানবা পুজরকপা চয়োম ফাওবা ঐঙোন্দা পীজথোকপা ঙম্মী। ঐ অদুগী মমল ওইনা করিগুম্বা খরা পীগে, মন্ত্রনি, মন্ত্র অমা তাক্কে। নহাক্লা মসিবু চীন্দা ফানবা কন্না হোৎনৌ, নোংমদি নঙনা মসিগী মপান্না কান্নবা শোয়দনা ফংগনি।”

চাক্লিবা অদুনা ওন্থোক্লা মথ্বায় য়াওনা মখা তারকই, “মন্ত্র অসিগী মপান্না, মন্ত্র অসি শোল্লগা উহৈ পাম্বী অমগী উহৈদু মতম নত্তবদা হেক্তা পালহনবা য়াবনি। মদুদি অসুম তৌগদবনি, ঈশিং অশেংবা তেঙ্কোৎ অমা লৌরো, ঈশিংদুদা মন্ত্রসি ৱাখল চঙনা শোল্লো অদুগা নঙনা পাম্বা উহৈ পাম্বীদুদা ঈশিংদু হৈজিল্লু, উহৈ পানবা মতম নৎত্রবসু খুদক্তা উহৈদু হেক্তা পানগনি।” লায়রবা নুপা অদুসু মন্ত্রদু পুক্নিং চঙনা তাদুনা ফানবা হোৎনরে, মাসু হারাউরে। অদুবু কায়নরমদাইদুদা চাক্লিবা অদুনা ৱা অমদি হায়রকই মদুদি লায়রবা নুপাদুনা মাবুদি পুন্সি চুপ্পা গুরু অমদা উৎফম থোকপা ব্যবহার অদুদি উৎকদবনি, মানা তাক্লকপনি হায়বসিদি মীনা হংলকপদা থম্মোয় শেংনা হায়গদবনি। লায়রবা নুপাদুসু হায়রিবা ৱাফমদু য়ারে, পেল্লদুনা মাগী অয়াওবা পৈশা খরা অমসু চাক্লিবা অদুদা দক্ষিনা ওইনা কৎলম্লে অদুগা হরাউ কায়নরে।

লায়রবা নুপাদু হন্দকমুক অনৌবা সহর অমদা অমুক থুংলুরে। মানা ৱারে হায়দুনা লম্বী মচি অমদা পোত্থারিঙৈদা সিফাই অমনা নিংথৌগী পাউ অমা লম্বীদা লাউ লাউদুনা শগোল থৌদুনা লাকপা থেংনরুরে। পাউ অদুদি অতৈ ওইরমদ্রে, “কনাগুম্বনা মশা ৱাই শংদ্রবী লৈবাক্তুগী মহারাণী অদুনা চানবা হৈনৌ অমুনবা অমতংবু হেক পীবা ঙম্লবা মতীক চানা মনা পীগনি।” অসিনি। লুরিবদি পাউজেল পীরিবা মতম অসিদি হৈনৌ পানবা লোইখ্রবা নিংথমথাগী মতমনি। অদুনা সহর অদুদা কনাগুম্বা অমত্তনা হৈনৌ পীবা ঙমদ্রে, ঙমফমসু থোক্ত্রে। অদুবু মহারাণী অদুনদি হৈনৌ অমা ফংনবা থিদবা ময়াদ্রে হায়দুনা অদুম লৈরে।

শগোল পাউ হন্না হন্না শন্দোক্লে, কনা অমতসু পীবা ঙম্মি হায়রদ্রে। মতাং অসিদা লায়রবা নুপাদুনা মাগী মন্ত্রগী শক্তি চাং য়েংনিংলক্লে। অদুদা মানা পীবা ঙমগনি হায়দুনা মহারাণীদা পাউ য়ৌহনখ্রে। মাবু কোনুংদা পুখ্রে। কোনুং য়ৌরগা মানা অশেংবা ঈশিং তেঙ্কোৎ অমা লৌরে অদুগা চাক্লিবনা তাকপিরকপা মন্ত্রদু থম্মোয় শেংনা শোনজিল্লে, অদুগা সিফাইদুদা কোনুংগী হৈকোন্দা মাবু পুনবা হায়রে। মানা হৈকোল য়ৌরবদা মন্ত্র শোল্লবা ঈশিং অদু হৈনৌ পাম্বী অমগী মখোঙদা হৈরুরে। মথঙগী নুমিত্তা অঙম অথৌ পুন্বা লাকপীনবা লোইনা থাদোকখ্রে।

মথঙগী নুমিত্তদি অঙকপা ওইখ্রে, হৈনৌ পাম্বীদু হৈনৌ তেকথবা মখৈ পাল্লে, মহারাণীদু পেনবগী ঙমখৈ লৈখিদ্রে, চানীংবা হৈনৌ চাবা ফংলে। হরাউদুনা লায়রবা নুপাদুদা মানা চাউনা পীবিরে অদুগা সহর অদুদা লৈনিংবা মফমদা লৈরো হায়বীরে। লায়রবা নুপাদু নুমিৎ খরনিদা ইনাকখুনবা হায়বদু ওইরে। লন-থুম মরাঙ কায়রবনিনা মহাক সহর অতৈদা চৎনিংদ্রে। সহরদুদা অদুম লৈথরে।

নোংমগী নুমিৎতদি মাবু নিংথৌনা কৌহল্লরে। ৱা অতৈগী ওইরমদ্রে, নিংথৌ অদুনা খঙনিংদুনা লায়রবা নুপাদুনা মানা মন্ত্রদু করম্না কনাদগী তম্লকপগে হংনবা কৌবা ওইরম্লে। মতাং অদুদা লায়রবা নুপাদুনা চাক্লিবা অমনা তাক্লকপনি হায়গদবদু ইকাইরে, অদুনা মানা মীনমদুনা মানা অসুম লংফৈ লাকপদা উমং অমদা লাইনিংবা মুণি অমনা মাবু নুংশিদুনা তাকপিরকপনি হেক খুমদোকখ্রে। মানা চাক্লিবা অদুদা ৱাশক্লম্বদু কায়রে, মানা চাক্লিবা অদুগী মফমদা দোষ লঙশিল্লে।

থা খরা লৈরগা মহারাণীদুনা মাবু অমুক কৌহল্লরে, হন্দক্লা মাবু অমুক হৈনৌ পালহল্লু, চানীংবনা লোইরে হায়গদবগী কৌহল্লবা ওইরম্লে। নিংথৌ অদুনসু হৈনৌ মতম নত্তবদুদা অমুক্কা হৈনৌ পালহনবা ঙম্লবদি মানা চাউনা অমুক্কা পীগনি তাকপীরে। লায়রবা নুপা অদুনা হান্নগী অদুম্না ঈশিং তেঙ্কোৎ অমদা মন্ত্র ফজনা শোল্লগা হৈনৌ পাম্বী অমগী মখোঙদা হান্নগুম হৈরুরে, মথঙগী নুমিৎ ঙাইনদুনা লৈনরে। অদুবু মথঙগী নুমিত্তা হান্নগুম অঙম অথৌনা লুচিংদুনা মীয়াম হুপ্লা হৈনৌ পাম্বীদু য়েংলুবদদি হৈনৌ অমত্তা পাল্লমদ্রে।

নিংথৌদু য়াম্না শাউরে। হৈ পান্দবগী মরম শেংনা তাক্লবা নুপাদুনা য়াথং তৌরে। নুপাদু অশেংবা ৱাফমদু হায়দোক্তবা য়াদ্রে। মানা লানখিবদু শেংনা তল্লে, মানা হৈরিবা মন্ত্রসি চাক্লিবা অমখক্লা তাক্লকপনি হায়রে। মাগী ৱারীদু মুন্না তাবনা নিংথৌনা মাবু মীনম্বা, মবুক ফত্তবা নুপানি হায়না লাউথোক্লে অদুগা লন-থুম লোইনা মৎহৌরগা মাবু সহরদুগী মপান্দা তান্থোকখ্রে।

নহা ওইরিবা লায়রবা নুপাদু অমুক হন্না লায়রবা মীশক অমা ওইরে অমুসং সহর অমদা চৎখ্রে। মহাক খঙজরে। মন্ত্র অদুগী সিদ্ধ পান্দ্রিবদু মানা মাগী ওজাদুগী মফমদা মীনম্লুবননি। মহাক মথ্বায় য়াম্না নুংঙাইরক্ত্রে। অদুবু মতমদি হৌখ্র। কদায়দা ওজাদু থিরুনি।

ৱারীসিগী পাউতাক্তি : - ইকায়খুম্নফম থোকপদি ইকায় খুম্নগদবনি।